# মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা পব্লিক হিয়ারিং পাঙথোকখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুলাই ৩০ ঃ* গভর্নমেন্ট অফ ইন্দিয়া অমসুং জুবিলিয়ন্ট ওইল এন্দ গ্যাস প্রাইভেট লিমিটেদনা জিরিবাম, তমেংলোং অমসুং চুরাচান্দপুর এরিয়াদগী হুৎলগা থাও চিংথোক্লবা অদুগা মরীগা মরী লৈননা অলফা জিও কম্পনিনা হৌজিক হৌজিক থাও থিবগা মরী লৈননা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা জিরিবাম টাউন হোলদা পব্লিক হিয়ারিং পাঙথোকখ্রে। মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা পাঙথোকখিবা পব্লিক হিয়ারিং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈনুংদগী নেচরেল রিছোর্স চিংথোকপগী থবক লেপ্পবা য়াম্না কন্না ওবজেক্সন তৌনখি হায়রি।

পব্লিক হিয়ারিং অদুদা পেনেল মেম্বর ওইনা চেয়ারমেন্দা এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট জিরিবাম, ইম্ফাল ইষ্ট শ্রী ৱাই ইবোয়াইমনা চেয়ারমেন অদুগা মেম্বরদনা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার জিরিবাম শ্রী ডব্লিউ য়াইস্কুল (আইএফএস), সেনিয়ার ইনভাইরোনমেন্টল ইঞ্জিনিয়ার মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দ এনা মিনাকেতন, জুবিলিয়ন্ট ওইল এন্দ গ্যাস প্রাইভেট লিমিটেদ নোইদা (য়ুপি)গী ভাইস প্রসিদেন্ট প্রোজেক্ট শ্রী অপুরভা রঞ্জন, কনভেনরদা মেম্বর সেক্রেটরি মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দ শ্রী কে জগদিশ্বর অদুগা স্পেসিয়েল ইনভাইটি ওইনা স্পেসিয়েল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ইম্ফাল ইষ্ট শ্রী ও মেঞ্জর সিংহনা শরুক য়াখি।

হিয়ারিং অদুগী অহানবমক্তদা মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি শ্রী কে জগদিশ্বরনা জিরিবাম টাউন হোলদা পাঙথোকখিবা পব্লিক হিয়ারিং অদুদা শরুক য়াখিবা পেনেল মেম্বরশিং অমসুং শরুক য়াখিবা মীয়াম্বু তরাম্না ওক্লদুনা জুবিলিয়ান্ট ওইল এন্দ গ্যাস প্রাইভেট লিমিটেদনা পাঙথোক্লবা প্রোপোজ তৌরিবা 'এক্সপ্লোরেটরি দ্রিল্লিং' অমসুং 'এল্লাইদ এক্টিভিটিশিং' অসিগীদমক্তা এম পি সি বি না পব্লিক হিয়ারিং পাঙথোকপা হায়বসি আইনগী মতুংইন্না তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা থবক্নি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না তিল্লিবা মীয়াম অদুগী মফমদা গভর্নমেন্টকী মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা খন্ন-নৈনবগীদমক্তা প্রোপোজ তৌরিবা থবক অসিগী মতাংদা মশা মশাগী ৱাখল নুংনাংবা অমসুং সজেসন্নচিংবা কয়া ফোঙদোকপীয়ু হায়নসু হায়জখি। মতুংদা জুবিলিয়ান্ট ওইল এন্দ গ্যাস কম্পেনিগী মায়কৈদগী অজয় বিশেননা প্রোজেক্ট অদুগী মরু ওইবা শক্তমশিং অদু ইংলিস লোনদা পাৱর পোইন্ট প্রজেন্টসন ওইনা উৎখি। প্রজেন্টেসন অদুদা প্রোজেক্ট অদুগা মরী লৈনবা মীওই কয়ানা ইংলিস, বেঙ্গলি অমসুং মণিপুরি লোলশিংদা মীয়ামদা ৱাফম কয়া খঙহনখ্রে।

হিয়ারিং অদুগা মরী লৈননা কনভেনরনা তিল্লিবশিংদা চংথগদৌরিবা "এক্সপ্লোরেটোরি দ্রিলিং এন্দ এলাইদ এক্তিভিটিষ্ট" অদুগা মরী লৈননা মখোয় মখোয়গী ওইবা ভিয়ুশিং পীননবা খঙহনখি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তগী মজাবুং গাংমৈনদি লৈনুংদগী হুৎলগা থাও চিংথোকপগী থবক তৌগদৌরিবা অদুদা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক পব্লিক হিয়ারিং অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী রিপ্রজেন্টেসন পীশিনবগী ৱাফমদি য়াখিদে।

অপুনবা জিরিবাম মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি খুরাইজম ওংবী পুস্পা দেবীনসু লৈনুং হুৎতুনা নেচরেল রিছোর্সশিং লৌথোকপগী থবক য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মদুনা মরম ওইরগা লম নমথগদবা কয়া অদুগী অকিবদু ফোঙদোকখি।

হিয়ারিং অদুগা মরী লৈননা জিরিবাম অপুনবা মৈরা পায়বী, জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ, ৱুমেন্স এসোসিয়েসন ফোর সিভিল এক্সনগী অপুনবা জোইন্ট রিপ্রজেন্টেসন অমসু পীশিন্দুনা লৈনুং হুৎতুনা নেচরেল রিছোর্স চিংথোকপগী থবক লেপ্পনবা তকশিনখি। মসিদা নত্তনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তগী তোঙান তোঙানবা ভিলেজ ওথোরিটি, ৱুমেন্স ওর্গনাইজেসন অমসুং কম্মিটি ৩২নসু মখোয় মখোয়গী ওইবা রিপ্রজেন্টেটিভশিং পীশিনখি। থৌরমদুগী লোয়শিল্লকপদা পব্লিক হিয়ারিং অদুদা চেয়ারমেন ওইখিবা ৱাই ইবোয়াইমনা লাকখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।